অহানবা খোমদ্রাম (ও) হিজম মেম্মা মেমোরিএল টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট

ৰাই দল্লিয়ু সী অমসুং এন এ পি এস এ সেমীফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা খোমদ্রাম (ও) হিজম মেম্মা মেমোরিএল টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা ৰাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা এল সী সী সী লিলোং চজিং অদুগা এন এ পি এস এ খা-ইম্ফালনা কে সী সী কোংবা মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা ৰাই দল্লিয়ু সী অমসুং এল সী সী সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস এল সী সী সীনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা ৰাই দল্লিয়ু সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। ৰাই দল্লিয়ু সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অসিগী বেটসমেন অয়াম্বনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং হৈন-শিংনা মায়োক য়াদুনা ক্রিজতা মতম শাংনা খাঙদুনা লৈবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা ওভর ২০ লোইবদা ৰাই দল্লিয়ু সীগী ৱিকেট ৫ তুরগা পুন্না রন ১৪৭ লৌবা ঙমখি।

এল সী সী সীনা টার্গেট রন য়ৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা বেটসমেন গুলসনন্দনা বোল ৪১ মায়োক য়াবদা রন ৩৬ অদুগা জিন্তানা বোল ১৪দা রন ১০ লৌরমখিবা অদু নৎতনা লেমহৌরিবা বেটসমেন অমত্তনা রন ১০ ফানা লৌবা ঙমখিদবদগী ওভর ১৭.১ শুরকপদা টিম অসিগী ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা পুন্না রন ৮৮দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ৰাই দল্লিয়ু সীনা রন ৫৯দা মায় পাক্লুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা ৰাই দল্লিয়ু সীগী কুমারজিৎনা তাখি। মহাক্না বোল ২০দা রন ১৩ অদুগা ওভর ২.১দা ৱিকেট ৪ লৌরমখি।

অমরোমদা, টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা কে সী সী অমসুং এন এ পি এস এগী মরক্তা শান্নখিবা অদুগী টোস এন এ পি এস এনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী কে সী সীনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। কে সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৫ তুরগা পুন্না রন ১৩৩ লৌবা ঙমখি।

এন এ পি এস এনা টার্গেট রন ১৩৪ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা ওপনর বেটসমেন ওইখিবা ভোগেন্দ্রো বোল ৬ মায়োক্লবদা রন ৭ লৌরল্লগা আউট ওইখি। অদুমওইনমক অতোপ্পা ওপনর বেটসমেন সোমোরেন্দ্রো অমদি বেটসমেন সাইমননা হৈন-শিংনা শান্নবা ঙমখিবদগী ওভর ১৭ শুরকপদা ৱিকেট ১ খক তুরগা টার্গেট রন হেন্দোক্লুনা পুন্না রন ১৩৬ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা সোমোরেন্দ্রোনা বোল ৫৯ মায়োক্লবদা রন ৭২ অদুগা সাইমননা বোল ৩৭ মায়োক্লবদা রন ৪৫ লৌরগা আউট ওইদনা লৈবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা এন এ পি এস এগী সাইমননা তাখি। মহাক্না রন ৪৫ লৌরমখিবগা লোয়ননা ওভর ৪দা ৱিকেট ২সু লৌবা ঙমখি।

থা অসিগী ১৪দা মোদেল চীংঙামখা অমসুং ৰাই দল্লিয়ু সী লংথবাল অমদি সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমসুং এন এ পি এস এ খা-ইম্ফালগী মরক্তা সেমীফাইনেল মেটচশিং শান্নরগনি।

নেসনল কোচিং কেম্পতা শরুক য়ানবা মমিং লাউথোরকপদা নিলকান্তা অমসুং রবিচন্দ্র য়াওরক্লে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ১২ (এজেন্সী): পেরিস ওলিম্পিক্সকী মাংওইননা হোক্কী ইন্দিয়ানা সিনিয়র মেন্স নেসনল কোচিং কেম্পতা শরুক য়ানবা মীওই ২৮গী মমিং লাউথোকখিবদা মণিপুরদগী শংলাকপম নিলকান্তা অমসুং রবিচন্দ্র মোইরাংথেম য়াওরক্লে।

ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা হোক্কী ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ৩০ ফাওবা কোচিং কেম্প অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি। মরুওইনা পেরিস ওলিম্পিক্সতা শরুক য়ানবা ইন্দিয়া টিম শেম্বদা হেন্না খূদোংচানবা পান্দমদা কেম্প অসি পাঙথোকপনি। এফ আই ঐচ হোক্কী প্রো লীগতা ইন্দিয়ানা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখি। হোক্কী লীগ অসি চহী অসিগী মে থাগী ২২দা বেলজিয়মদা মখা অমুক চত্থগনি। মদুগী মতুং জুন ১দগী হৌরগা লন্দনদা অমদি নেদরলেন্দসতা লীগ অসিগী ফাইনেল লেগ শান্নগনি।

ইন্দিয়া নুপা টিমগী চীফ কোচ ক্রেইগ ফুল্টননা ফোঙদোকখিবদা, হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা কেম্প অসিদা ঐখোয়না অহেনবা মীৎয়েং থল্লি। কেম্প অসিদা ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংনা হান্নদগী হেন্না মপাঙ্গল কন্না অমদি মখোয়গী হৈ-শিংবশিং মপূং ফানা উথোকপা ঙম্নবা হোৎনহনগনি। কেম্প অসিগীদমক খল্লবা শান্নরোয়শিংনা লাক্কদৌরিবা মরুওইবা গেমস কয়াদা শরুক য়াগনি। ঐখোয়না হোক্কী মশান্নদা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয়শিং য়াওনা অনৌবা হৌগৎলক্লিবা নহা খরা কেম্প অসিগীদমক খনখিবনি। ওরিষ্যাদা পাঙথোকখিবা হোক্কী প্রো লীগ অদুদা ইন্দিয়া টিমগী শান্নরোয়শিংগী হৈ-শিংবা মীয়াম্না উবা ফংখ্রে। হান্নদগী হৌজিক্লা হেন্না মওং-মরিল তানা ইন্দিয়া টিমনা শান্নবা ঙল্লে।

প্রো লীগ অসিগী ফাইনেল লেগ অমসুং পেরিস ২০২৪ ওলিম্পিক্স য়ৌরক্ত্রিঙৈদা অমুক্কা হেন্না ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংগী হৈ-শিংবা হেনগৎহন্নবা হোৎনগনি অমদি পেরিস ওলিম্পিক্সতা মেদল অমা লৌবা ঙম্নবা শোয়দনা হোৎনগনি হায়না ফুল্টননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, হোক্কী ইন্দিয়ানা নেসনল কোচিং কেম্পকীদমক খনখ্রবা মীওই ২৮না শাবা কোর গ্রুপ অদুদা য়াওরিবশিংদি গোলকীপরশিংদা কৃষন বহাদুর পাঠক, পি আর শ্রীজেশ, সুরজ কর্কেরা; দিফেন্দরশিংদা হর্মনপ্রিট সিংহ, জর্মনপ্রিট সিংহ, অমিট রোহিদাস, জুগ্রাজ সিংহ, সঞ্জয়, সুমিট, অমির অলি; মিদফিল্ডরশিংদা মনপ্রিট সিংহ, হার্দিক সিংহ, ভিভেক সাগর প্রসাদ, রবিচন্দ্র মোইরাংথেম, সমশের সিংহ, শংলাকপম নিলকান্তা, রাজকুমার পাল, বিষ্ণুকান্ত সিংহ অমদি ফোরৱার্দশিংদা অকাশদিপ সিংহ, মন্দিপ সিংহ, ললিত কুমার উপধ্যায়, অভিশেক দিলপ্রিট সিংহ, সুখজিৎ সিংহ, গুর্জন সিংহ, মোহমদ রাহিল মৌসিল, বোবি সিংহ ধামি অমসুং অরাইজিৎ সিংহ হুন্দালনি।

নোর্থ ইষ্ট গেমস ২০২৪দা মণিপুরদগী শান্নরোয় অমদি ওফিসল ৩০০ হেনবনা শরুক য়াগদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ১৪দগী হৌরগা ২৩ ফাওবা নাগালেন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩লক শুবা নোর্থ ইষ্ট গেমস ২০২৪দা মণিপুরদগী শান্নরোয় অমদি ওফিসল ৩০০ হেন্না শরুক য়াগদৌরি হায়না গেমস অসিগী চীফ দে মিসন মোইরাংথেম রতনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না ৰাফমসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, গেমস অসিগী মনুংদা মশান্না ১৬কীদমক নুপা শান্নরোয় ১৭৮ অমদি নুপী শান্নরোয় ১১৩ য়াওনা নুপা অমসুং নুপী ওফিসল ৪৫ খনখ্রে। মণিপুর কন্টিঞ্জেন্টকী ওইনা শান্নরোয় অমদি ওফিসল ৩৩৬ অসিগী মনুংদা ক্রিকেট মশান্নদি বি সী সী আইগী মায়কৈদগী অয়াবা পীরকপা লৈত্রি। মরম অসিনা শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিংগী মশীং হোংদোক-হোংজিন লৈরকপা য়াই হায়খি।

মহাক্না হায়, নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক গেমস হায়রম্বা শান্নবা চাংদম্নবা অসি নোর্থ ইষ্ট গেমস হায়না মমিং ওল্লে। অদুগা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক এসোসিএসনসু নোর্থ ইষ্ট স্পোর্টস এসোসিএসন হায়না মমিং ওল্লে। হায়রিবা গেমস অসিদা মণিপুরগী পর্ফোর্মেন্স মমাংদগী হেনগৎহন্নবা অমদি মেদল হেন্না লৌবা ঙম্নবা পান্দম থল্লি। অদুবু হৌজিক লমদম অসিদা থোক্লিবা তংদু লৈতাদবগী থৌওং অসিনা মরম ওইরগা শান্নরোয়শিংদা চাওনা চৈথেং ফংলি। লোয়ননা মখোয়দা ট্রেনিং অমদি প্রেক্টিস তৌবগী মতম খরা খূয়ৌনবা য়াওরবসু মশাগী ওইনা অদুম্মক মপূং ফানা শেম শারবা শান্নরোয় ঙাক্তনি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা গেমস অসিগী দেপ্যুটি চীফ দে মিসন ওইরিবা এন ইবুংঙোচৌবীনা হায়, নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক গেমস হায়রম্বদগী নোর্থ ইষ্ট গেমস অদুগা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক এসোসিএসন হায়রম্বদগী নোর্থ ইষ্ট স্পোর্টস এসোসিএসন হায়না ওন্থোক্লিবা অসি মমাং থাগী অরোইবা শরুক্তা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ষ্টেট খূদিংমক্কী ওলিম্পিক এসোসিএসন লৈবনা চমম্নবা পোকহন্দনবা খঙহল্লকখিবনি। মসিগী মতাংদা থা অসিগী ৪দা এন ঈ ষ্টেটশিংগী ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরিশিংগী মীফম ফমদুনা মমিং ওন্থোকপদা য়ানখিবনি।

এন ঈ গেমসতা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুরগী শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং থা অসিগী ১৬তা নাগালেন্দগীদমক ইম্ফাল থাদোকপা হৌরগনি হায়খি।

এম এন এগী জি বি মীটিং মার্চ ৩১দা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): মণিপুর নেটবোল এসোসিএসন (এম এন এ)গী অখন্নবা জেনরেল বোদি মীটিং অমা থা অসিগী ৩১দা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী মেম্বরশিংদা খঙহল্লক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা এসোসিএসন অসিগী হান্নগী সেক্রেটরি জি ভুবোলনা খূৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ৩১গী অয়ূক পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা জি পি ৱিমেন্স কোলেজগী মায়োক্লবদা লৈরিবা ইমোলেশ হোটেলদা অখন্নবা জি বি মীটিং অসি পাঙথোক্কদবনি। রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজকী চৎন-কাঙলোনগী মখাদা ওর্গনাইজেসন অসিবু অমুক হন্না রিভাইভ তৌহন্নবগীদমক অখন্নবা মীফম অসি পাঙথোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি। মরম অদুনা হায়রিবা মীফম অসিদা এগজিক্যুটিভ মেম্বর খূদিংমক্না মতম চানা লাক্লুনা শরুক য়াবীয়ু হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী আপীল তৌরকখিবগা লোয়ননা মীটিং অসিদা মরুওইনা কুমজা ২০২৪-২৮ ফাওবগী থৌ পুনবা মেম্বরশিং খনবগী মীখল পাঙথোক্লবগীদমক মরুওইনা খন্নগনি হায়রি।

এসোসিএসন অসিগী হৌজিক-হৌজিক মেম্বর ওইনা লৈরিবশিংদি এল জয়ন্তকুমার, টি ঐচ ইন্দ্রকুমার, টি ঐচ বসন্ত, এল সটকেশ্বর, সুনিল এলাংবম, এল মোধুবালা, এ ভানু চনু, আর কে ক্রাদিতোর, ঐচ লুখোই, আর কে নটারাজ, এল বোবোচা, কে ঐচ রতন, জি ভুবোল, টি ঐচ নন্দবির অমসুং পি প্রিতমনি হায়না মণিপুর নেটবোল এসোসিএসনগী চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ট্রাওনা থোইখ্রে

লুধিয়ানা, মার্চ ১২ (এজেন্সী): আই লীগ ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদগী লুধিয়ানাদা লৈবা নামধারি ষ্টেডিয়মদা ট্রাও অমসুং নামধারিগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা ট্রাওনা পাঞ্জল ২-১দা নামধারি মায়থীবা পীখ্রে।

ট্রাওগী পাঞ্জল অনী অদু মেটচ অদুগী ৩৪শুবা মিনটতা ঈশাহ নুহ সৈদুনা অমা অদুগা ১০শুবা মিনটতা নামধারিগী হর্মনজোটনা শোয়বদগী মশাগী মায়কৈদা চনশিঞ্জখিবনি। অদুগা নামধারিগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা হর্মনপ্রিটনা চনখিবনি।

কে এম ৰাই সী অমসুং ঈ ৰাই সী মায় পাকখ্রে
এস বি এন ৰাই সী অমসুং কে ৰাই সী পাঞ্জল ৪-৪দা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ৬তগী হৌরগা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ)না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা চথরিবা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ৫-এসাইদ মিনি বোইজ অন্দর-১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা কে এন ৰাই সীনা সী কে সী (এ) অদুগা ঈ ৰাই সীনা য়ু পি সী মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এস বি এন ৰাই সী অমসুং কে ৰাই সী দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এস বি এন ৰাই সী অমসুং কে ৰাই সী পাঞ্জল ৪-৪ চন্নদুনা দ্রো চৎখিবনি।

ঙসিগী অনীশুবা মেটচতনা কে এম ৰাই সীনা সী কে সী (এ)বু পাঞ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীখিবনি। কে এম ৰাই সীগী পাঞ্জলশিং অদু মথংশিংনা জাহিরুল হকনা অমা, রাহুল হুসেননা অনী অদুগা বোদোর উদ্দিননা অমা চনখিবনি। অদুগা সী কে সী এগী পাঞ্জলশিং অদুনা এম দি সেবামুলনা অমা অদুগা এম দি সোহিল অহমদনা অনী চনখিবনি।

অমরোমদা, ঈ ৰাই সী অমসুং য়ু পি সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ঈ ৰাই সীনা পাঞ্জল ৩-০দা ঈ পি সীবু মায়থীবা পীরমখিবনি। ঈ ৰাই সীগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ২২, ২৪ অমসুং ২৮ শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ১০ কে রোহিটনা চন্দুনা হেটট্রিক ফংবা ঙমখি।

হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ওরিয়েন্টেল ক্লব অমসুং ঈচেল ক্লব অমদি সনরাইজ ক্লব অমসুং ৰাই দল্লিয়ু এ লম্বা তৌনগনি।

কোমরেম য়ুনিয়ননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নাতোক কোইরেংদগী চুংরেং কোরেননা হন্দক্তা লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকখিবা এম এম এ ইন্দিয়ন চেম্পিয়নদা মায় পাক্লকখিবা অদুবু কোমরেম য়ুনিয়ন নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া অমসুং কোমরেম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুরগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনিয়ন অনী অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না চুংরেং কোরেননা মায় পাকপা পুরকখিবা অদু চাওথোকচনিংঙাইনি অমদি মতুং তারকপদসু মহাক্না চাওনা মায় পাকপা ঙম্বা ওইরসনু। কোমরেম ট্রাইবগী মনুং চল্লিবা কোইরেং ফুরুপকী মীওই অমনা মালেমগী থাক্তা মিংচৎ পুরকপা ঙমখিবা অসি চাওথোকচনিংঙাইনি হায়খি।

ꯇ꯭ꯔꯥꯎꯅꯥ ꯅꯥꯃꯙꯥꯔꯤ ꯃꯥꯏꯊꯤꯕꯥ ꯄꯤꯈ꯭ꯔꯦ

ꯂꯨꯙꯤꯌꯥꯅꯥ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯲ (ꯑꯦꯖꯦꯟꯁꯤ): ꯑꯥꯏ ꯂꯤꯒ ꯲꯰꯲꯳-꯲꯴ꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯉꯁꯤ ꯅꯨꯡꯊꯤꯜ ꯄꯨꯡ ꯳.꯳꯰ ꯇꯥꯕꯗꯒꯤ ꯂꯨꯙꯤꯌꯥꯅꯥꯗꯥ ꯂꯩꯕꯥ ꯅꯥꯃꯙꯥꯔꯤ ꯁ꯭ꯇꯦꯗꯤꯌꯃꯗꯥ ꯇ꯭ꯔꯥꯎ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯅꯥꯃꯙꯥꯔꯤꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯁꯥꯟꯅꯈꯤꯕꯥ ꯃꯦꯆ ꯑꯃꯗꯥ ꯇ꯭ꯔꯥꯎꯅꯥ ꯄꯥꯟꯖꯜ ꯲-꯱ ꯅꯥ ꯅꯥꯃꯙꯥꯔꯤꯕꯨ ꯃꯥꯏꯊꯤꯕꯥ ꯄꯤꯈ꯭ꯔꯦ꯫꯫ ꯇ꯭ꯔꯥꯎꯒꯤ ꯄꯥꯟꯖꯜ ꯑꯅꯤ ꯑꯗꯨ ꯃꯦꯆ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯳꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯤꯅꯤꯠꯇꯥ ꯏꯁꯥꯍ ꯅꯨꯍ ꯁꯩꯗꯨꯅꯥ ꯑꯃꯥ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯱꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯤꯅꯤꯠꯇꯥ ꯅꯥꯃꯙꯥꯔꯤꯒꯤ ꯍꯔꯃꯟꯖꯣꯠꯅꯥ ꯁꯣꯏꯕꯗꯒꯤ ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯃꯥꯏꯀꯩꯗꯥ ꯆꯟꯁꯤꯟꯖꯤꯟꯈꯤꯕꯅꯤ꯫꯫ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯅꯥꯃꯙꯥꯔꯤꯒꯤ ꯑꯃꯠꯇꯥ ꯉꯥꯏꯔꯕꯥ ꯄꯥꯟꯖꯜ ꯑꯗꯨ ꯍꯔꯃꯟꯄ꯭ꯔꯤꯠꯅꯥ ꯆꯟꯈꯤꯕꯅꯤ꯫꯫

ꯀ꯭ꯂꯥꯁꯥ ꯑꯦꯐ ꯁꯤꯅꯥ ꯖꯤ ꯗꯤ ꯁꯤ ꯃꯥꯏꯊꯤꯕꯥ ꯄꯤꯈ꯭ꯔꯦ

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯲ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): ꯑꯣꯜ ꯃꯣꯏꯔꯥꯡ ꯐꯨꯠꯕꯣꯜ ꯑꯦꯁꯣꯁꯤꯑꯦꯁꯅꯅꯥ ꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯃꯣꯏꯔꯥꯡꯒꯤ ꯆꯩꯉꯩ ꯂꯝꯄꯥꯛꯇꯥ ꯆꯠꯊꯔꯤꯕꯥ ꯑꯍꯥꯅꯕꯥ ꯆꯤꯐ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯱꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯂꯣꯛꯇꯥꯛ ꯇ꯭ꯔꯣꯐꯤ ꯲꯰꯲꯳-꯲꯴ ꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯉꯁꯤ ꯀ꯭ꯂꯥꯁꯥ ꯑꯦꯐ ꯁꯤ ꯀꯩꯅꯧ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯖꯤ ꯗꯤ ꯁꯤ ꯊꯤꯅꯨꯡꯉꯩꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯁꯥꯟꯅꯈꯤꯕꯥ ꯃꯦꯆ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯀ꯭ꯂꯥꯁꯥ ꯑꯦꯐ ꯁꯤꯅꯥ ꯖꯤ ꯗꯤ ꯁꯤ ꯊꯤꯅꯨꯡꯉꯩꯕꯨ ꯄꯥꯟꯖꯜ ꯱-꯰ ꯅꯥ ꯃꯥꯏꯊꯤꯕꯥ ꯄꯤꯈ꯭ꯔꯦ꯫꯫ ꯉꯁꯤ ꯅꯨꯡꯊꯤꯜ ꯄꯨꯡ ꯲.꯳꯰ ꯇꯥꯕꯗꯒꯤ ꯍꯧꯔꯒꯥ ꯇꯤꯝ ꯑꯅꯤꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯁꯥꯟꯅꯈꯤꯕꯥ ꯃꯦꯆ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯑꯅꯤꯁꯨꯕꯥ ꯍꯥꯐꯀꯤ ꯵꯸ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯤꯅꯤꯠꯇꯥ ꯀ꯭ꯂꯥꯁꯥꯒꯤ ꯖꯔꯁꯤ ꯅꯝꯕꯔ ꯲꯷ ꯑꯦꯁ ꯀꯦꯅꯦꯗꯤꯅꯥ ꯆꯟꯈꯤꯕꯥ ꯄꯥꯟꯖꯜ ꯑꯃꯅꯥ ꯀ꯭ꯂꯥꯁꯥ ꯑꯦꯐ ꯁꯤꯕꯨ ꯃꯥꯏ ꯄꯥꯛꯄꯒꯤ ꯂꯝꯕꯤꯗꯥ ꯄꯨꯁꯤꯟꯈꯤꯕꯅꯤ꯫꯫

ꯀꯣꯃꯔꯦꯝ ꯌꯨꯅꯤꯌꯅꯅꯥ ꯊꯥꯒꯠꯄꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯔꯛꯂꯦ

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯲ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ):

ꯀꯥꯡꯄꯣꯀꯄꯤ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯀꯤ ꯃꯅꯨꯡ ꯆꯅꯕꯥ ꯅꯥꯇꯣꯛ ꯀꯣꯏꯔꯦꯡꯗꯒꯤ ꯆꯨꯡꯔꯦꯡ ꯀꯣꯔꯦꯟꯅꯥ ꯍꯟꯗꯛꯇꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯀꯣꯅꯨꯡ ꯅ꯭ꯌꯨ ꯗꯦꯜꯂꯤꯗꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯀꯈꯤꯕꯥ ꯑꯦꯝ ꯑꯦꯝ ꯑꯦ ꯏꯟꯗꯤꯌꯟ ꯆꯦꯝꯄꯤꯌꯟꯗꯥ ꯃꯥꯏ ꯄꯥꯛꯂꯀꯈꯤꯕꯥ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯀꯣꯃꯔꯦꯝ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯅꯣꯔꯊ ꯏꯁ꯭ꯠ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯀꯣꯃꯔꯦꯝ ꯁ꯭ꯇꯨꯗꯦꯟꯇꯁ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯃꯥꯏꯀꯩꯗꯒꯤ ꯊꯥꯒꯠꯄꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯔꯛꯂꯤ꯫꯫

ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯑꯅꯤ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯊꯥꯗꯣꯔꯀꯄꯥ ꯆꯦꯔꯣꯜ ꯑꯃꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡ ꯏꯟꯅꯥ ꯆꯨꯡꯔꯦꯡ ꯀꯣꯔꯦꯟꯅꯥ ꯃꯥꯏ ꯄꯥꯀꯄꯥ ꯄꯨꯔꯀꯈꯤꯕꯥ ꯑꯗꯨ ꯆꯥꯎꯊꯣꯀꯆꯅꯤꯡꯉꯥꯏꯅꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯇꯨꯡ ꯇꯥꯔꯀꯄꯗꯁꯨ ꯃꯍꯥꯛꯅꯥ ꯆꯥꯎꯅꯥ ꯃꯥꯏ ꯄꯥꯀꯄꯥ ꯉꯝꯕꯥ ꯑꯣꯏꯔꯁꯅꯨ꯫꯫ ꯀꯣꯃꯔꯦꯝ ꯇ꯭ꯔꯥꯏꯕꯀꯤ ꯃꯅꯨꯡ ꯆꯜꯂꯤꯕꯥ ꯀꯣꯏꯔꯦꯡ ꯐꯨꯔꯨꯞꯀꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯑꯃꯅꯥ ꯃꯥꯂꯦꯃꯒꯤ ꯊꯥꯛꯇꯥ ꯃꯤꯡꯆꯠ ꯄꯨꯔꯀꯄꯥ ꯉꯃꯈꯤꯕꯥ ꯑꯁꯤ ꯆꯥꯎꯊꯣꯀꯆꯅꯤꯡꯉꯥꯏꯅꯤ ꯍꯥꯌꯈꯤ꯫꯫

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 1076

Henning Holinka (2033) - Vitaliy Garbuz (1977)
GER-chT U16 Walldorf, 2017.12.28

1.e4 e5 2.Nf3 Nc6 3.Bc4 Bc5 4.c3 Nf6 5.d3 O-O
6.O-O d6 7.Bb3 a6 8.Nbd2 Be6 9.Bc2 Ba7 10.h3 Ne7
11.d4 Ng6 12.Re1 Nh5 13.d5 Bd7 14.Nxe5 Qh4 15.Nxd7 Qxf2+
16.Kh1 Ng3+ 17.Kh2 Qf4 18.Nf3...

QUESTION :
Black to win

Puzzle 1075 Solution :

27. Rh8+ The white rook decoys Black's king. **Kxh8 28. Rh1+**
Your moves:28.Bxg7+
Kg8
28...Rh6 29.Rxh6+ Kg8 30.Rh8+ Kxh8 31.Qh1+ Kg8
32.Qh7#
29. Rh8+ The white rook decoys Black's king. **Kxh8 30. Qh1+**
Rh6
30...Kg8 31.Qh7#
31. Qxh6+ The white queen captures Black's rook, which was defending the square h7. **Kg8 32. Qh7#** Damiano's knight mate
1-0

ꯄꯦꯟꯁꯟ ꯂꯣꯟ
PENSION LOAN
AVAILABLE

- # Manipur State অমসুং Central Pensioner শিংগী ওইনা Pension Loan পীজরি।
- # থাগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% অমসুং 2.85% p/m গী Interest তা খূদোংচাবা পীজগনি।
- # Loan লৌবিবা লাকপদা Pension Book, Passbook, Cheque Book অমসুং ATM Card লোয়নবীরক্কদবনি।

Please Contact : M.M. Singh
L.G. Motors Building
Khagempalli Imphal, Manipur, # 9383154086

HL-B/8632/13/3-19/4

Likla
Likla
MANGO DRINK
₹10 ONLY
160ml
ꯂꯤꯛꯂꯥ
Promote Local Farmers
Support Local Industries
Thangjam Agro
HL-B/8592/1/3-29/3 (alt)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com